# টেলঙ্গনাদা ঈশিং চফু অমখক্লা মীওই অমা করম তৌনা হিংবা য়াগদৌরিবগে হায়বসি ৱাহং অমা ওইরি



*হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ২৭ঃ*
টেলঙ্গনা, জগটগিরিগুত্তানচিংবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা কা হেন্না ইকংগী অৱাবা মায়োক্লরি। চাংচৎ ওইনা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা অমুক খক্তমক লমদম অদুদা ঈশিং পীবা লাক্লি। মীয়াম্না দরকার ওইবা অহেনবা ঈশিংশিং কৈথেলদগী লৈবা দরকার ওইরক্লি।
লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিং ঈশিং ফংদবগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি। ঈশিং ফংননবা হোৎনবদা অচৌবা ইরাং থোক্লি। য়ুমথোং খুদিংমক্তা ফংহনগদবা ঈশিং ফংহনবা ঙমদ্রে।
লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়া কিলোমিটর কয়া চৎতুনা ঈশিং ফংননবা হোৎনরি। লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা লুচিংবা কয়ানা ঈশিং ফংহনগনি হায়না ৱাশক্লমখি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা ঈশিং ফংবা ঙমদ্রি। মফম কয়াদা চৎতুনা ঈশিং ফংননবা হোৎনরি।
হেন্দ পম্পতা ফংগদবা ঈশিং অদুসু ফংবা ঙমদ্রে। মায়কৈ কয়াদগী ঈশিং ফংদবগী ৱাকৎ কয়া লাক্লি হায়না জগটগিরিগুত্তা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।
লমদম অদুদা লৈবা য়াদমা কৌবা নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা নুমিৎ ৬নিগী মনুংদা অমুক খক্তমক লমদম অদুদা ঈশিং য়েনবা লাকখি। অতৈ মতমশিং অদুদদি করি তৌগদগে হায়বা খঙবা ঙমদে।
লমদম অদুদা লৈবা মীয়াম্না ফোঙদোরকখিবদা হান্নদি মফম অদুদা ঈশিং মরাং কায়না ফংলম্মী। অদুম ওইনমক হৌজিক্তী ঈশিং ফংবা ঙমদ্রে। লমদম অদুদা ঈশিং ফংননবা হোৎনবদা অৱাবা ফিভম অমা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তা ইলেক্ট্রিক্ট বিল লুপা ১২০০দগী লুপা ১৫০০ ফাওবগী চাংদা বিল পীননবা খঙহল্লকখিবা লৈরি।
লমদম অদুদা শীবা অমসুং হিংবগী ফিভম অমা মায়োক্লরি। ঈশিং য়াওবা পাত্রশিংদা তিন কয়া চোংশিল্লকপগী ফিভম মায়োক্লরি। অদুগুম্বা ফিভম অদুদা করম তৌনা বিলশিং পীননবা হোৎনগদৌরিবনো।
ঈশিং লৈনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা মায়োক্লরি। রাসুলপুরা, সিকন্দরবাদনচিংবা মফমশিংগী স্লমদা লৈবা মীওইশিং ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা কিলোমিটর ১৬ শাংনা চৎতুনা ঈশিং ফংননবা হোৎনরি।
নুমিৎ ৯নিদা ইমুং অমনা ঈশিং লিটর ২০০ ফংননবা হোৎনবগা লোয়ননা অকক্লবা চাংদা ঈশিং শীজিন্নবগী থবক চথরি হায়রি।

# ব্রাজিলদা জিকা ভাইরসনা শোকহল্লবা মীওই ৯১,০০০ থেংনরে



*ব্রাজিলিয়া, এপ্রিল ২৭ঃ*
ব্রাজিলদা জিকা ভাইরস শন্দোরকখিবনা মরম ওইরগা লায়না অদুনা শোকহল্লবা অঙাং ৯১,০০০ থেংনরে হায়না হেল্থ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।
চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ৩দগী এপ্রিল ফাওবদা জিকা ভাইরসকা মরী লৈনবা কেস ২,৯১,৩৮৭ থেংনখ্রে।
লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা মীওই ৩০,২৮৬ শোকহনবগী পাউ লৈ হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি। কাংনা শন্দাকপা ভাইরস অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা মীওই ৩ শীহনখ্রে। হিরম অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথরি।
ভাইরস অদুনা মীওইবগী হকচাং মনুংদা মতম কয়া কুইনা লোৎতুনা লৈবা ঙম্বা, হকতিন্নবদা শন্দোকপা য়াবগী চাং, লায়না অদুনা থোকহল্লকপা য়াবা মরম কয়া নৈনরি।
নৌনা থিজিনবদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না জিকা ভাইরসনা মাইক্রো সেফালিন হায়না খঙনবা নৌনা পোক্লকপা অঙাংশিংগী ব্রেন্দদা চাওনা অমাং অতা থোকহনবা, চাওরক্লবা মতমদা ব্রেন্দগী অনাবা কয়া থোকহনবা য়াদবতা নত্তনা পেরলাইসিস য়াওনা শীবা য়াবা অনাবা কয়া থোকহনবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ।
ভাইরস অদুদগী ঙাকথোক্লবা ঙসি ফাওবগী ওইবা ভেক্সিন অমত্তা লৈত্রি। ভাইরস অদুনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা অহানবদদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম ওইহন্দে। করিগুম্বা কান্দা হকচাংগী তাংশিংদা চিকপা নাবা ফাওহনবা নত্রগা লাইহৌ তৌহল্লকপা য়াই।
অদুগুম্বা ভাইরস অদুনা শোকহল্লবা মমাশিংনা পোক্লকপা মচাশিংদা কোক্কী শরুক কা হেন্না পীকশিনবা অমসুং ব্রেন্দদা শোকহনবগী লাইওং লাক্কনি।
ব্রাজিলদা মীরোল্লবী নুপী ২,৮৪৪ শোকহল্লে হায়বগী রিপোর্ট লৈ। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীরোল্লবী নুপী কয়া শোকহনখ্রবগে অদুগা নৌনা পোক্লকপা অঙাং কয়া মাইক্রো সেফালিনগী লাইওং উৎলক্লবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ইনফেক্সিয়স দিজিজেস মোনিটরিংগী দাইরেক্টর ক্লাউটদিয়ো মাইরোবিটচনা ফোঙদোরক্লি।
চৈরকসিদা লৈবাক অদুদা দেঙ্গি লায়নানা মীওই ৮,০২,৪৯২ শোকহল্লে হায়বগী রিপোর্ট লাক্লি। মদু চৎলিবা চহী অসিগী লৈবাক অদুদা লৈবা মীওইশিংগী চাদ ১৩.৭ শেকহল্লবনি হায়রি।

# য়ুক্রেন ৱাথোক ঃ সেল কাপশিল্লকপদা মীচম ৪ শীরে

*ওলেনিভাকা, এপ্রিল ২৭ঃ*
য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা সেল কাপশিল্লকপদা মীরোল্লবী নুপী অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ লৈখিদ্রে হায়না রসিয়াদা শৌগৎপা রিবেলশিংনা ফোঙদোরক্লি।
দোনেটস্ক পিপলস রিপাব্লিককী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখিবদা লৈঙাক্লা খুদুম চল্লিবা মফমশিংদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ অশোক অপন নংখ্রে।
নাকল অমরোমদা য়ুক্রেন লান্মীনা সেল কাপশিনখিবা অদু মখোয়না চথখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোরক্লি। লমদম অদুদা হৌখিবা চয়োল কয়াগী মমাঙদগী অকনবা ইরাং থোক্তুনা লৈরি।
মদু লৈঙাক্কী লান্মী অমসুং রিবেলশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবা লেপ্পগী য়ান্নবা ৱাফম কায়খ্রবা মতুং ওইরকখিবনি। সিক্যুরিটি এন্দ কোওপরেসন ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুদা সিজ ফায়র থুগাইবগী ৱাথোক কয়া লৈরি।
দোনেটস্ক লমদম খক্তঃদা বোম পোকখায়বা অমসুং নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক মশিং থিঙমদনা থোক্লি। য়ুমশকৈশ নুমিৎতা রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈবা ওলেনিভাকা লমদমদসু খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লৈখি।
লমদম অদুদা থোক্লিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীরোল্লবী নুপী অমা কার মনুংদা লৈরিঙৈদা শোকপদগী শীহনখি। মহাক্কী মোবাইল ফোন অদু লেপ্তুনা খিংলকখিবা লান্মীশিংনা থেংনখি হায়রি।

# উরিষা চীফ মিনিষ্টরগী চেম্বর মৈ চাকখ্রে

*ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ২৭ঃ*
উরিষা এসেমব্লী বিল্ডিংগী মনুং চন্না লৈবা চীফ মিনিষ্টর নবিন পতনাইককী চেম্বরদা ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সক্যুইতনা মরম ওইরগা ঙসি মৈ হৌনা চাকখ্রে।
থৌদোক অদুদা মীওইবগী পুন্সি মাঙবা নত্রগা চে চাং অমত্তা মাংহন তাকহনখিবগী পাউ লৈতে। দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস কে সি সিংহ চীফ মিনিষ্টরগী চেম্বর অদুদা খুদক্তা চংশিন্দুনা য়েংশিনখি।
ওফিস অদুদা লৈবা দিজিটেল ক্লোক অমসুং সেট টোপ বোক্স টেলিভিজন সেটতগী মৈ অদু হৌরকখিবনি হায়বগী চিংনবা লৈ। মৈ হৌরকখিবা মতম অদুদা নবিন পতনাইক কা অদুদা লৈখিদে।
মহাক ন্যু দিল্লিদগী ভুবনেশ্বরদা থুংলখিবা মতম ওইখি। খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোক্লকপনা



*উরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পতনাইককী চেম্বর মৈ চাকখিবা*

ষ্টেট অদুগী স্পিকর নিরঞ্জন পুজারি অমসুং অতোপ্পা মেম্বর কয়া মফম অদুদা লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ওইরিবা ফিভমশিং অদু খঙদোক্লবা হোৎনখি।
থৌদোক থোকপা মতমদা মৈ অদু সেট টোপ বোক্সতগী হৌরকখি। মতম অদুদা সেনিয়র ষ্টাফ কয়াসু লৈখি। মৈ হৌরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা কা অদুগী প্লাইবুদ অমসুং টেলিভিজন সেট অদু অমাং অতা থোকহনখি।
অদুম ওইনমক কা অদুদা লৈখিবা রাজনিতিগা মরী লৈনবা চে-চাংশিংদি অমাং অতা থোকহনখিবা লৈতে হায়রি।

# উট্টরখন্দ এসেমব্লীগী পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্তনবা, মখা তানা প্রসিদেন্ট রুল লৈহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ঃ*
উট্টরখন্দদা মখা তানা প্রসিদেন্ট রুল লৈহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি খঙহনখ্রে। ষ্টেট হায়কোর্টনা পীখিবা য়াথংগী মতুং ইন্না কংগ্রেসকী লুচিংবা হরিস রৱাতনা ইরাই নুমিৎতা এসেমব্লী অদুগী পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্কদবা অদু চথদনবা খঙহনখ্রে।
ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিং অদুদা কোর্টনা সেন্টরদা ৱাহং ৭কী পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখি। ৱাহংশিং অদুগী মনুংদা প্রসিদেন্ট রুল লাউথোকখিবা মতুংদা এসেমব্লীদা পাঙ্গল চাংয়েং তৌনবগী মতম থেংথহল্লিবা করিগীনো হায়বা য়াওরি।
চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৭তা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল চল্লাইখি। মদু হরিস রৱাতনা এসেমব্লী ফ্লোরদা মহাক্কী পাঙ্গল চাংয়েং উৎকদবা নোংমগী মাংওইননি হায়রি।
চৈরকসিদা সেন্টরনা হায়, হরিস রৱাত ষ্টেট অদুদা মখা তানা সাসন তৌননবগী হক লৈত্রে। মরমদি মহাক্কী কংগ্রেস এম এল এ ৯না মহাক্কী মায়োক্তা ভোট পীখি। মদুনা তাক্লিবদি লৈঙাক অদুনা পুথোক্লিবা বজেট অদু স্পিকরনা লান্না পাস তৌখিবনি হায়বসিনি।
এসেমব্লীদা স্পিকর অমগী থৌদাং চাওই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অদুগী মতাংদা মখা তাবা ৱায়েৎশিং মথং চয়োলদা পাঙথোক্কনি হায়না কোর্টনা লাউথোকখি।
নাকল অমরোমদা হরিস রৱাত অমসুং কংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অদুদা মীয়াম্না খল্লবা লৈঙাক অমবু নমথদুনা প্রসিদেন্ট রুল থমজিল্লি হায়না মরাল শীরি।
হরিস রৱাত কোর্টতা নুমিৎ ৬৯ চুপ্পা থেংনরক্লি। মমাঙ চয়োলদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা উট্টরখন্দ হায়কোর্টনা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল থল্লিবা অদু ককথৎলে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ৱায়েল অদু ষ্টে তৌদুনা থম্লক্লি।
কোর্টকী ৱায়েল অদুনা ফোঙদোকখিবদা রৱাতনা খুদক্তা হায়কোর্টকী রুলিং অদু য়েংলগা কেবিনেট মীফম পাঙথোক্কদবনি। হিরম অদুগী মতাংদা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা কংগ্রেসকী মেম্বর কয়ানা খোল্লাউ কয়া লাউখি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-578**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | | 3 | 5 |
| 7 | 5 | 1 | | | 9 | | | 8 |
| | 6 | | | | 1 | | 9 | |
| 8 | | | | | 3 | | | 2 |
| 1 | | 5 | | 6 | | 4 | | |
| 3 | 7 | 4 | | | 2 | | | |
| | 3 | 7 | | | | 2 | | |
| 5 | 8 | | 3 | | 7 | | | |
| 6 | | | 8 | | 4 | | | 7 |

*সনা-সুদোকু- ৫৭৭ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 6 | 9 | 7 | 8 | 4 | 5 |
| 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 7 | 5 | 3 | 8 | 4 | 1 | 2 | 9 |
| 8 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 5 | 1 | 2 |
| 5 | 1 | 2 | 7 | 3 | 8 | 4 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 2 | 5 | 7 | 3 | 8 |
| 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 9 | 6 | 8 | 4 |
| 7 | 9 | 4 | 8 | 6 | 1 | 2 | 5 | 3 |
| 2 | 6 | 8 | 4 | 5 | 3 | 9 | 7 | 1 |

# আগস্তা স্কামদা মরাল লৈবা থেংনরবদি থৌরি য়ান্দুনা হাৎলু ঃ অহম্মেদ পতেল



*অহম্মেদ পতেল*

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৭ঃ*
আগস্তা ৱেষ্টলেন্দ চোপ্পর লৈবগী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখ্রবা মতুং অহম্মেদ পতেলনা হায়, মহাক করিগুম্বা হিরম অদুদা মরাল লৈবা থেংনরবদি থৌরি য়ান্দুনা হাৎলু হায়না ফোঙদোকখ্রে।
অদুগুম্বা থৌওং অদুদা লাল্লি হায়না পুথোকপা ঙম্লবদি মহাক থৌরি য়ান্দুনা শীজনবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।
লুচিংবা অদুনা হায়, শীরিবা মরালশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। অদুগুম্বা ৱাথোক অদুদা মহাক্কী মিং করিগীদমক চেন্নহল্লিবনো। মহাক্কী মতমদা তৌফম থোকপশিং তৌখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।
ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মরাল শীরিবা অদু চপ চানা থিগৎলবা মতুং থবক পায়খৎকদবনি। মহাক্কী মায়োক্তা অরানবা থেংনরবদি মদুগীদমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈরে। করিগুম্বা লানখিবা লৈরবদি মহাকপু থৌরি য়ান্দুনা হাৎলু হায়না ফোঙদোকখি।
চৈরকসিদা কংগ্রেসকী লুচিংবা ওস্কার ফর্নান্দেজনা হায়, লৈঙাক অসিনা ঈ-পাউ ফংলবদি মদু পুথোক্কদবনি। লোয়ননা হাউসতা ময়েক শেংনা থমগদবনি হায়খি।
চোপ্পর লৈবগী ৱাথোক অদুনা মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্টতা চরাংনবা কয়া থোকহনখি। ইটালিগী কোর্টনা ফোঙদোকখিবদা দিল অদুগীদমক ইন্দিয়ান ওফিসিয়েলশিংদগী লুপা ক্রোর ১২০-১২৫ পীরকখিবা লৈখি।
ইটালিগী কোর্ট অদুনা মেদিয়াশিংনা ফোঙলকখিবা পাউশিং য়েংশিল্লগনি। কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমসুং মহাক্কী নক্লবা মীওইশিং পতেল অমসুং মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদু ফোঙদোক্কদবনি হায়না ৱায়েল পীখি।

# ছটিসগরদা মীওই লিশিং ৩২ মেলরিয়াগী লায়না মায়োক্লরি

*রাইপুর, এপ্রিল ২৭ঃ*
ছটিসগরদা চৎলিবা চহী অসিগী থা ৩গী মনুংদা মীওই লিশিং ৩২ মেলরিয়াগী অনাবা মায়োক্লরি হায়না ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ফোঙদোরক্লি। ইং ২০৩০ ফাওবদা ষ্টেট অদুদগী লায়না অদু মুত্থৎনবা এক্সন প্লান পায়খৎলি হায়রি।
চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ১দগী মার্চ ৩১ ফাওবা ষ্টেট অদুদা মেলরিয়ানা শোকহল্লবা মীওই ৩২,৬০৪ লৈরি হায়না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।
মেলরিয়া লায়না পোকহল্লিবা প্লাজমোদিয়ম ফলসিপেরম প্রোটোজুৱা (প্লাজমোদিয়ম ভাইবেক্স)না মীওই কয়া শোকহনখ্রে। ইং ২০৩০ ফাওবদদি ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লায়না অদু ষ্টেট অদুদা লৈহন্দনবা অকনবা থবক পায়খৎলি।
খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবা মেলরিয়া লায়না অদু প্লাজমোদিয়ম ভাইবেক্স কৌবা ভাইরস অমনা থোকহনবনি। লমদম অদুদা মখা তানা লায়না অদুনা নাবগী রিপোর্ট লাকপ্রা হায়বদু য়েংশিল্লি।
হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ৱার্করশিং মেলরিয়া লায়না খঙদোক্লবা আর দি টি কিদ শীজিন্নদুনা অকনবা থবক পায়খৎলি। মদুতা নত্তনা মেলরিয়া থেংননবা অফবা মখলগী হিদাক লাংথকশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা থবক পায়খৎলি।
ষ্টেট অদুদা মেলরিয়ানা শোকহনবা য়াবা মফম ২১ মশক খঙদোক্লে। হায়রিবা মফমশিং অদুদা লৈবা য়ুমথোং লাক্ষ ১৫দা তিলহাৎ হিদাক কাপথোকপগী থবক পায়খৎলি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ারশিংনা পঞ্চায়েট অমসুং অরবান রুরেল দিভলপমেন্ট বোদিশিংগা খুৎশম্নদুনা ইরম নালা শেংদোকপা অমসুং ঈশিং শেংদোকপগী থবক মফম কয়াদা পায়খৎলি হায়রি।







**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Imphal West (Central)
Ref. : Mutation Case No. 858/SDC/IW(C) 26/4/2016

**1) Nungshilei Golmei,** D/o (L) Abung Kabui of Keishamthong Kabui Khul
**2) Kaboklei Golmei,** D/o (L) -do- of -do-
**3) Lankhompu Golmei,** S/o (L) -do- of -do-
**4) Wrilei Golmei,** D/o (L) -do- of -do-

Petitioners

-Vs-

**(Late) Abung Kabui,** S/o (L) Pokchao Singh Kabui of Keishamthong Kabui Khul

O.P.

**NOTICE**

Imphal, the 27th April, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টদার Abung Kabui পীং (L) Pokchao Kabui Singh সাং Keishamthong Kabui Khul গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 40 (K)-Police Bazar গী অনৌবা পাট্টা নং 8 অরিবা পাট্টা নং 25 দাগ নং 84 অমসুং এরিয়ানা 0.0200 (হেক্টর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা objectionলৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/536/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Imphal West (Central)
Ref. : Mutation Case No. 875/SDC/IW(C) 26/4/2016

**1) Kakchingtabam Kiran Sharma,** S/o (L) K. Manihar Sharma of Singjamei Top Leikai
**2) -do- Romesh Sharma,** S/o K. Kiran Sharma of -do-

Petitioners

-Vs-

**(Late) Kakchingtabam (o) Jamuna Devi,** W/o (L) K. Manihar Sharma of Singjamei Top Leikai

O.P.

**NOTICE**

Imphal, the 27th April, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টদার Kakchingtabam (O) Jamuna Devi পটি (L) K. Manihar Sharma সাং Singjamei Top Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 48-Singjamei গী অনৌবা পাট্টা নং 106 অরিবা পাট্টা নং দাগ নং 2308 অমসুং এরিয়ানা .0322 (হেক্টর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি মচাশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা objectionলৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/536/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 309/SDC/P of 2016

**Kshetrimayum Ranjan Singh,** S/o Amuba Singh of Kongpal Mamang Sabal Leikai

Petitioner

-Vs-

**Ksh. Ranjit Singh,** S/o Amuba Singh of -do-

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 27th April 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 29-Top Naoriya গী Patta No. 84 (অরিবা) 142/616 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 64/498 an area .077 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/535 (a) /28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 310/SDC/P of 2016

**Mrs. Rasida Begum,** W/o (L) Md. Rafiuddin of Keikhu Awang Leikai

Petitioner

-Vs-

**Md. Rafiuddin,** S/o (L) Meino Mia of Keikhu

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 27th April 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী Patta No. 153 (অরিবা) 395/747 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1211/1336 an area 0.124 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/535 (b) /28